# লৈবাক নীংবা শাবশিংনা নেসনল পার্টি ময়াম পুশিল্লক্তুনা মীয়াম্বু নোংমৈ, বোম মরক্তা লংশিল্লে



— মুতুম শান্তি —
(শোখরবশিংদা কখোকচরি)

ৱারেদা লৈবাক মীয়াম ঐখোয়সে অসিদগী হেন্না ৱাবা করি করম্বা শিন্থা কয়াম ৱাৎলিবগে? মীনুংশি লৈবনরা, মীঙমদবগীরা, শিংমন্দুনা পশিং থোকপগীরা, পঙবগীরা, পুক ফবগীরা, ফম অচৌবা পায়নীংবগীরা, ঐনা মহেল্লে খনবনরা, ৱাতোন্না ৱাংলগা ক্বাক্লা ফমদেল্লিব্রা, উহৈ য়াম্না পানবা উনা মরূ লুক্লিব্রা, শে-শে শেবোতি কাওনরিব্রা, নোংমদা পোকপা মচাদি নীনি শিবা হৌনদে খন্না থৌনা লৈনা মৈরক্তা মৈরানবীমক্কি খল্লগা মৈদা চোঙশিল্লিবরা? ওন্থোক্না থুনসু কাউজল থিরবা মীতৈ ফূরূপশিংবু অইবীনা খুরুমজরি। তরাইবা ৱাফম থৌদোক খরমখৈদি কাউথোল্লবসু তুংগী পূন্সিদা অকায়বা লাক্তবা য়াই। অরুবা ৱাফম মীতৈ ফূরুপ্পু হাৎনীংবা মতমদা হাত্তোকপীরিবা মতমসিদা ঐখোয়না করিগী চৎনবী হরাও কুম্মৈ পাঙথোকফম থোক্লিবগে?

কুমজা ২০২৩গী মে ৩গী নুমিদাংৱাইরমদা নৎত্রা মৈত্রবাকসিগী নিংথৌ চুরাচান্দ মহারাজগী মমিং লৌদুনা থোনখিবা চুড়াচান্দপুরদা হৌরকমী ওইনা হিংজরকপা মীতৈগী য়ূম কয়া মৈ থাখিবা, মীয়াম্বু নুংশি হৈতনা হাৎখিবা, ঙরাং খক্তা নৎত্রনে মীতৈ ইচিল ইনাওশিং, ৱাখল খন্থবীয়ু। লোইরবরা কুকিনা মীতৈ হাৎপা ইতোমতা ৱাহং হংবীয়ু, পাউখুমসু ইশা ইথন্তা পীবিয়ু। ৱাহং কয়াগী পাউখুমসু ৱাত্তনা লৈগনি। অচুম্বা, অরানবা ৱাহং-পাউখুম্না লৈবাক মীয়ামগী অফবা-ফত্তবা লন্বী ওইরক্লি। ঐনা পঙলবা ৱানা হিংগনি, ৱাশি শিখিগনি। শিবা হায়বসিদি মীওইবা খুদিংমক্কী হৌনশানি। ৱাশি শিদনবা ঐখোয় মীওইবনা তৌরমগদবা ইথৌদাং করি লৈবগে হায়বসি থিদোকপা, খন্থবা, করম্না, কদাইদা, কদোমদা, নুং-পান ফাওনা কূপ্না খন্থমিন্নসি। চাক, এঙ্খাং অহাওবা খঙনা চারিবসি অরেম্বা তাহনগুমসি।

অহাওবা মথেল কয়াগী মহাউ খঙনা চারিবা ঐখোয়সি ঙসি ফাওবদি 'চাকয়াম চাবা' হায়দু ওইরি। মখাদি পঞ্জররোই, অইবীগী কলমসি ইবা চৎলু য়ারক্ত্রে। য়েক্লবনা নোংমৈ, বোম, দ্রোন মীতৈ হাৎনবা অৱাংবা চীংথক্তগী কাপথরক্কনি হায়না ঙাইদুনা লৈরিবা ইচা ময়াম (খুলঙাকপা) অদুগী মচল-মচে, মচানুপী লৈতে হায়না খনবরা হায়বগী ৱাহং কয়া হংনরক্লি। ৱাফমসি তাবদা থম্মোয় শোক্তবা মণিপুরী ওইরিবা কয়া মীয়াম মরক্তা য়াওরি। হরাও-কুম্মৈ পাঙথোকপদা শরুক য়ারিবা মীওইশিং মমা লৈবাক নুংশিবা ঙমদবা মীওইশিংগী মনুং চনগনি। লৈবাক্কী চাওখৎ থৌরাং পায়খৎপা, মীয়াম্না হরাও কুম্মৈদা খোঙ থাংজিনবা মতম নত্তে।

লৈবাক্কী মীয়ামদা উৎ চায়রিবা ময়ামসি পূক্লিং হকচাং য়াওনা লুনা খন্থবীয়ু। মীয়াম্না মাঙদা তারিবা থৌদোকসিদা হেন্না পূক্লিং চিংশিনবীয়ু। তূম্বা-চাবা মতম চানা ইশাবু নাদনা লৈনবা হোৎনবা, হৌরকমী ঐখোয় পূনশিন্দুনা ঈরাংসি করম্না লোইশিনগনি হায়বগী ৱাহন্থোকসি কূপ্না খন্ন-নৈনবগী মাঙদা থমসি। মালেমগী মীপূম খুদিংমক্না তমজনীংঙাই ওইরবা ফজখ্রবা 'নিঙোল চাক্কৌবা' থৌরমসিবু ঈরাংসিনা মরম ওইরগা নাথৈরগা থম্বদা করি অকায়বা লৈবগে? ঐখোয়বু ঙায়োক চফুদা থম্বগুম স্কৱার মাইল ৭০০কী ৱাংমদা খোঙথাং অমত্তং কান্থোকপদা থাঙনা মতুপ-মতুপ কক্তুনা হাৎলিবা মতমসিদা করম্বা হরাও কুম্মৈ, করম্বা চাওখৎ থৌরাংগী ৱারী তানীংলিবগে? থোক্লিবা থৌদোকসিদা থম্মোয় শোক্লিবা মীওই মশীং য়ামদ্রিবা লমদমনি। অমনা ঙাওবা অমনা তাদে, মানা-মানা অপাম্বা পাঙথোক্লরি। অপূনবগী শক্তম্না মপূং ফাবা শক্তি পুথোকপা ঙমদ্রিবনি। লময়ানবা ইরাবত খুরুমদুনা থা ১ চূপ্না থৌরম পাঙথোকখিবদু কদায়দা পাইখ্রবগে? হরাও কুম্মৈ অমা লাকখ্রবদা পূম্নমক কাউথোকপা ঙম্বা 'মীথিবোং মীতম্বাল' হায়বদুমক ওইরি।

ৱাফম অমত্তং :- কুমজা ২০১৮দগী নাগালেন্দ হাউসতা ষ্টেটতুগী লোকেল পার্টিনা থংন-থংননা টর্ম ২ গী লৈঙাক লৈরকখিবসি মণিপুরগী লৈবাক মীয়াম্না কুপ্না ৱাখল খন্থমিন্নবা মথৌ তারি। খঙমিন্নসি - কুমজা ১৯৯৭তগী হৌনা সেন্টর অমসুং এন এস সী এন-আই এম ২ পূন্না ৱারী শানবা হৌরকখি। কুমজা ২০১৫দা এন এস সী এন-আই এমগা ইন্দিয়া লৈঙাক্না ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনখি। কুমজা ২০১৯গী ওক্টোবরদা নাগালেন্দগী গভর্ণর ওইরম্বা আর এন রবিনা ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি নাগাশিংগা ৱারী শানবা লোইশিল্লে হায়না লাউথোকখি। নাগাশিংগী ওইবা তোঙানবা ফ্লেগ অমদি কন্সটিট্যুসন চৎনহনগদবনি হায়বগী অয়াবা পীদবনা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমখিদবনি। নাগালেন্দ ষ্টেট অমা শেল্লকখিবসি নাগা পোলিটিকেল ইস্যুগা মরী লৈনৈ। নাগালেন্দনা মপূং ফাবা ষ্টেট অমা ওইরকপদগী নাগাশিং পূনশিনগদবনি হায়বা ৱারেপসিনা মরু ওইদুনা লাক্লি। কুমজা ১৯৬৩গী দিসেম্বর ১দা নাগাশিং পুনশিনগদবনি হায়বা ইস্যু অসিনা ইন্দিয়ন য়ুনিয়ন অমদি নাগাশিংগা খূৎয়েক পীনখিবা ১৬ পোইন্ট এগ্রীমেন্ট অসি খ্বাইদগী মরু ওইবা ৱাফম ওইরি। মণিপুরগা য়ূমথংনরিবা নাগালেন্দ লৈবাক অনীগী খেন্নবদু খরদং পঞ্জবনি।

ঐখোয়গীনা লৈবাক মসুং তানবা 'সূ' কুকিগী (এগ্রীমেন্ট) অমদি মফমসিদা লৈরিবা ত্রাইব খুদিংমক য়েলহৌমীনি হায়না গেজেট নোটিফিকেসন পীথোকখি। হৌবদগী লোইবা ফাওবা শোয়রবা লমদমসি করম্না শেমদোক্কনি। লাইরিক লাইশু মতিক চাদ্রবা মীওইশিংনা লুচিংবা ওইরি। অখঙবা আর্মি ওফিসর, আই পি এস ওফিসর, আই এ এস ওফিসর, য়ুনিভর্সিটিগী ওজা, কোলেজগী ওজাশিংনা হিরি কোন্দুনা লৈখ্রব্রা? লৈবাকসিগী ওইরক্লিবা ফীভমসিদা থবক্তগী পোত্থারবা, পোত্থাদ্রিবা ময়ামগী তোঙানবা মীফম কৌদুনা লৈবাক কনবগী পাউদি মীয়াম্না তাবা ফংদ্রি। লাইরিক হৈতবনা মীনম্বা ৱাহৈ কয়া মীদিয়াদা মীয়াম পঙথনবা লাউরি। মীয়াম পঙথরি চুন্নবরা খল্লি। অখঙ অহৈ কয়ানা য়া কাদুনা য়েংলি, তারি। খন্দুনা য়েংসি বি জে পিনা মণিপুরদা লৈরিবা ত্রাইব খুদিংমক য়েলহৌমীনি হায়রগবু মীতোপ খন্দোক্লিংঙাই লৈরিব্রা? গেজেট অসিনা মীতোপ খন্দোকপগী চহী ১৯৫১ ওইরম্বদু ১৯৬১ ওই হায়নসু ইরি।

লাক্লিবা কুমজা ২০২৫দা মীতোপ খন্দোকপগী থবক হৌরনি হায়না মীয়ামদা হরাওহল্লি, মেজিক তৌরি। মীয়াম্না হরাওরি। মণিপুরদা লৈরিবা ত্রাইব খুদিংমকপু য়েলহৌমীনি হায়না বি জে পিনা থোক্লিবা গেজেট অসিনা কনাবু মীতোপ্পি খন্দোক্কনি, মীয়াম খন্থবীয়ু। শকখঙ চে আধার কার্দ, ভোটর কার্দ, জোব কার্দতা মিং লৈতবা কয়া য়াওরমগদগে? চীংদা অনৌবা খুল মচা-মচা লিংখৎপদা এম জি এন আর ঈ জি এ মনুং চন্নবা হোৎনৈ। ওফিসতা থবক পুরিবশিংনা শুকয়েং য়েংদনা য়ূম কয়া লৈরে হায়রগা শেল খরা লৌরগা পীথোকখিবনা অয়াম্বনি। আধার, ভোটর অনীসিনা ভোট লেপ্পা, লেপ্পী ময়ামসিনা মাগী-মাগী ভোট কাননবা হায়দুনা পংহাপ্তা হাপচিনখিবনি। মীতোপ্তুগী শেল লৌগনি। মাগী ভোটর ওইগনি। ঐঙোন্দা ভোট থাদগদবনি ৱাশকহনগনি। চাওখৎতবা মীওইশিংনা লুচিংবা ওইরকপনা লৈবাক অসি লৈখা তারিবনি। মমাঙথক্তগী চহী ৭৫ চূপ্না মীয়াম্না লৈঙাক শেল্লকপদা ঙসি ফাওবা হিংলিবা মণিপুরগী মীয়াম্না নুংঙাইবা মীৎকুপ অমা য়াওখ্রব্রা খন্থবীয়ু। ঙসি ফাওবদা মীরেপ ওইনা চোংথোরক্লিবা মীওইশিংসি মীয়াম্না করি ওইনা খল্লি হায়বসি মশানা খঙগদবনি।

অদুবু ইকায় খঙদবগী হীদাক লৈতে। অফবা, কখোকপা, ইমা লৈবাক্কীদমক খনবা মীওইদি মশক খঙদে। পীকখ্রবা লমদমসিবু কনানা কনানো হায়বসু থিগৎকনিসু খন্দে। লাইরিক-লাইশু মতিক চানা হৈবা, মপা-মপু করম্না হৌরকপা মীওইগী অফবা ঈনো হায়বা অমসু লৈরি। পূম্নমকসি থিগৎতনা মীখল মতম লাকপদা চরাংনরদনা কুম্মৈগুম পুমলাঙ লাঙগনি। অসিদসু নত্তনা ভোট থাদফমদা নোংমৈ কাপশিল্লি। শোক্লগা, শিরগা মাঙজরিবসি মীয়ামদা নৎত্রা? ঙসিগী লুচিংবশিং মীয়ামগী থৱায়বু কৈথেলগী লুকমাইদা য়োন্থোক্লি হায়বসি মীয়ামদি খঙলিব্রা, খঙদব্রা? য়ূমথংনবা লৈবাক্কী মরুপ-মপাংশিংনা মণিপুর করম তৌরি হংলকপদা করি খুমগনি। ঐনা খুম্মী লায়রবা মীয়ামগী লৌ ইঙ্খোল ফম্নাইবশিংনা অহোঙবা মমলদা লৈবগী চৎনবী ওইরি। অমনা মীচম মীয়ামগী থৱায় হকচাং অমদি লৈঙাক্কী থবক কৈথেলদা মমল লেপথোক্তুনা (ফিক্স প্রাইস) তা য়োল্লি। লাইরিক হৈবা লায়র মচাশিং লৈঙাক্কী থবক লৈবা ঙমদবশিংনা কপ্লি।

শেল লৈজদবা মীচম মীয়াম্না মপা-মপুনা থম্বীরম্বা লৌ ইঙ্খোল লৌরুংশঙদা রেজিষ্টর তৌদুনা লৈঙাক্কী থবক লৈবা য়োনবা থবক্লা লুচিংবশিংগী থৌদাং ওইরি। লায়রবা মচাশিংনা লৈঙাক্কী থবক লৈবদা লৌ ইঙ্খোল খুদিংমক লুচিংবশিংনা লৌখ্রে। হৌজিকসু মহৌশা লাইরেম্বীগা শাগোন্নদুনা থল্লম্বা 'ইপুম পাৎ' ফুনজিল্লগা 'রিং রোদ' শেমগনি হায়না পাউচেশিংদা ফোঙদোরক্লি। লমদম অমা চাওখৎহনবা হায়বসি পুৱারীদগী লৈজরম্বা মফমদুবু খূৎশেম্না শেমগৎ-শাগৎপা অদুবু চাওখৎপা কৌই হায়বসু খঙবীদ্রে। লৈকায় খুদিংগী লৈজরম্বা পূখ্রিশিং ফুনজিন্দুনা কম্ম্যুনিটি হোল শারি। মীওইবগা তৎন-থানবা য়াদ্রবা ঈশিংগী মমল খঙদ্রবা ঙাক্তনি। ঈশিং কংবা মতমদা মীয়াম্না ঈশিং লৈতবগী অৱাবা কয়া নংলি। হোলগা ঈশিংগা অনীগী তঙাইফদনা মরু ওইরিবসি করিনো খঙদ্রি। মমাঙঙৈদা তুরেলগী মপান ওইবা অহাঙবা লৈবাক মচেৎ অমদা মোংফম ওইরম্বদগী ঙসিদি ৱাংনা শাগৎতুনা শেল্লে। মীওইবসি অফবা, ফত্তবা, অমাংবা, অশেংবা খুদিংমক লৈবাক লৈশাদা তিল্লি। চাওখৎলবনি হায়দুনা চেক মথক্তা মৈ থারগা উৎ অদু তুরেলদা লোইনা থাদরি। মীওইবনা হিংবদা ঈশিং য়াওদনা হিংবা য়াদে। য়ারিবমখৈ ঈশিংগী ঈচেল খুদিংমক অমোৎ অকায় থাদবা য়াদে হায়বসিসু অমুক খুদোম্বী থিন্দুনা তাকখিগদ্রা?

খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল ফাওদুনা চেল্লিবা নাগা তুরেল মাঙখ্রে। নম্বুল তুরেলসু মতম খরগী মতুংদা করি ওইরক্কনি মীপায়নরি। দ্রগ করবারদা জেলদা লৈরুবা, মী হাৎলুবা কয়ানা শেল য়েন্দুনা ভোট কাহনখিবা ঐহাক্কী ইরালনি, ঐনা ফত্তবনি খঙনা খঙনা শেল পাম্লুবদগী লৈবাক্কী অমদি মীয়ামগী তুংদা ওইরক্কদবা খন্থরুন্দবনা ঙসিদি ঐখোয়না মীখা পোন্দনা, মীনাই নাইথাং ওইদনা অতোপ্পা মীনা ওইবীয়ু য়াগদ্রা? ঐ-ঐনা তৌজবা ঐনা ফংজবনি। ঐখোয়না চিন্দদি ইমা লৈবাক নুংশি হায়বা, মীগী অরেম্বা শেল উরগদি হেক কাউথোকপা, লোইরেদনা ঙসিদি করি শারে লৈবাকসে। থোরক্লিবা মীরেপশিংগা অরেম্বা শেল য়াম্না পাম্বা মীয়ামগা নাকল অনী চপ মান্নবনা লৈবাকসি মচেৎ কয়া থোক্লা কায়নবগী মচাক ওইরে। মফম মরাং খঙদবা লুচিংবা ওইনীংবশিংনা শেমজিন শাজিন্দুনা মীয়ামদা মেজিক তৌরি। অখঙলোইশিংনা না থাঙ্গৎতুনা তবীয়ু। মণিপুর চাওখৎপনা খম থেংলে, নুংঙাইবীয়ু লৈবাক মীয়াম হরাওবীয়ু।

কুকিশিংনা নোংমৈ, বোম অৱাংবা চীংদগী কাপথরকপা মখোল ঙাইমিন্নরসি। কোইচেন চেনসি মায়কৈ খঙদনা, কপসি-লাউসি কনবীয়ু থৱায়দদি কনবীয়ু হায়না থৱায় খূবাক্তা হাপ্তুনা থক-থক নিক্লগা হিংলিঙৈ ঙসিগী পূন্সিসিদা কুম্মৈ মথং-মথং লেপ্তুনা চত্থবনা ঐখোয়গী শরুক ওইরসি। চেকশিনসি ইশানা ইশাগী ৱাখল খন্থনা হিংবীয়ু, হিংমিন্নসি। মীয়াম্বু কোক নোঞ্জরি। ●

# নিঙোল চাক্কৌবদা নোক্তৌবা খুনোক



- খোইস্নাম ধিরেন মীতৈ -

ঐনা হেক য়েংথোক্লুবদা নোকফেৎ তৌরগা লৈরম্বা মীদুনা ঐঙোন্দা কৌরকপোই নীংদুনা ঐসু নোকফেৎ তৌখি। মশক্তি লাকশিনবা ঙমদ্রে। ঐগা কদাইদা থেংনখিবনো নীংশিংনবা হোৎনৈ। ঐনা নীংশিংবা হোৎনরিঙৈদা নুপাদুনা ঐগী তুংদা লেপ্পম্বা মমান্নবা অমগা চঙশিন্নদুনা মখূৎ শোক্লে। ঐ ইকায়বা ফনবা মফমদুদা কুইনা লৈরমদ্রে। নোকফেৎ তৌবা মায়থোঙ উরগা নুংঙাইববুদি অদুম ফাওই। করিগুম্বা মতমদা মরুপ অনীনা নোকফেৎ তৌনবগী ময়ায়দা ঐনা খনজিল্লুবদৈ ঐসু য়াওনা নোকফেৎ তৌরুদুনা ইকায়বা নংবৈ ৱানি। মসিগী ইকায়বসিদি শাওনীংবা য়াওদবনিনা নুংঙাইবা ইকায়বা ওই। ইকায়বদসু শাওনীংবা ইকায়বা মতাং য়াওই। মী ময়াম পূন্না লৈমিন্নরিঙৈদা ইমান্নবা অমনা ঐগী মায়দা পকপা অমোৎপদুদা খুদোম্বী থিল্লগা - ইতাও নঙসিবু ইরুজরক্ত্রবো, মায়দা কৈনোমা পক্লে হায়রগা ঐগী মাঙদা নোকপসি উরগা ঐ নোক্লিংদে। নোক্লিংবা নত্তে শাওনীংই। ঐনা হায়ফেৎ নোক্লুবদা ঐগা মায় ওনশিন্নবা মীদুনা ইকায়খিবা থোক্লুবা নৎত্রগা শাওনীংবা থোক্লুবদি ঐবু মানা চহী খুদিংগী নিঙোল চাক্কৌবা নুমিৎনা লাকপা খুদিংগী নীংশিংদুনা লৈগদৌরিবনি। হৌজিক্কী তানফমসিদি - নোক্লুবা খুদিং, শাওরুবা খুদিং নিঙোল চাক্কৌবগা মরী লোইনা লৈনখিবা য়ারিবনি।

ঙাইহাক পোত্থাবদা নিঙোল চাক্কৌবগী ৱারীনা অয়াম্বা শান্নরদৌবা থানি, মেরা থাগা হিয়াঙ্গৈগদি। হন্দক্কী অসিমদি ঐখোয়গী ইবুংনা ইচম চম্না চাক অমা সুম চামিন্নসি, খুদোলপোৎকী ৱা নত্তে হায়রম্মী হায়দুনা মনাওনা মচেদো ৱারী শারুবদা মচেদুনা অতোপ্পা ৱাখল অমা সুম খল্লগা লৈবদৈ মুন্না তাহৌদদুনা নোকফেৎ তৌরুবা য়াই। মচেগী নোকফেৎ তৌবা মায়থোঙদু উরগা মনাওদুসু নোকফেৎ তৌরক্কদ্রা নৎত্রগা মফমদুদগী খরা চখোল্লগা থবক অমা তৌশিন্নরগা লৈখিগদ্রা। মতৈ-মনাও ওইদুনা ফাগি-জুগাই তৌনদুনা লৈমিন্নরিবা নুপাশিংনসু নিঙোল চাক্কৌবা ময়াসিদা ইরায় লায়না নোক্লগে খন্দুনা - নখোয় নবুংদি চাক্কৌবগী পাউ হায়বা লাকপীদ্রেনা কায়না হায়রগা নোক্লুরবদি অহানবদা খৌরি চরম তল্লকপা য়াই। অদুগী মতুংদনা ফমুংদা তপ্না চঙখ্রগা থবক অমত্তা শূদনা লৈখিবা য়াই। করিগুম্বা মতমদনা মৌপ্বা লায়রবনা মচে ইনাকখুনবগী য়ূমদা চাক্কৌবগী পাউ হায়বা লাকপদা মচেদুনা ইচম-চম্না - ঐ লাক্লরোইদা, ইচানুপীসু চাক্কৌবদো ঙন্তা লাক্লগে হায়রকই হায়দুনা ইরায় লায়না নোকফেৎ তৌরগা খুল্লুবা থোক্লবদি মৌপ্বাদুনা ময়ূমদা হনখিবদা লন্বীদা অহুম/মরিরক পোত্থাবা য়ারিবনি। চাক্কৌবগী নুমিৎতুদনা নিঙোল ওইবী কয়ানা মপামদা চৎতুনা ইমুংগী মীশিংগা হরাও-হরাওনা চামিন্নরগা শুমাংদা ফক থাদুনা নুংশা য়াইরগা ফম্মিন্নদুনা অঙাং ওইরিঙৈদো পূখ্রিদা ঈরোয়দুনা শান্নবগী, পুংতোল কাবদা নান্থরকপগী ৱারী নীংশিংনরগা পূক্লিং পেন্না নোকমিন্নরুরগা হঞ্জরক্কদৌরিবনি। অদুম্না হরাওনা হল্লকপগী লন্বীদুদা সোরোক শঙলগা লৈজবা লৈকায়গী অহলনকা ফা তৌরিবনি হায়দুনা - নঙগীদি করিম তৌবীরক্তুবরো হায়রগা নোকপসিবু নিঙোলদুনা নোকনীংগদ্রা? সোরোকতা লৈগনবা অহলশিংসু লন্বীদা ফমগনবা মীয়ামসু নিঙোল চাক্কৌবা ময়াসিদদি হেক ঙম্বমখৈ চেকশিন্না ফমসি।



নিঙোল চাক্কৌবা-মমিংতবু নিঙোলগী মমিংদা থোনবীরম্বনি। হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবনা নকশিল্লকপা, চাক্কৌবগী পুংফম য়ামশিল্লক্ত্রবা মতমসিদদি নিঙোলসু, পিবাসু, অঙাংসু, অহলসু হরাওগদবা মতমনি। অহাওবা ঙা চাগনি হায়বগী হরাওবা নত্তে। মমল য়াম্বা খুদোলপোৎ পীরক্কনি হায়বগী হরাওবসু নত্তে। মীতৈগী অহলশিংগী অৱাংবা ৱাখলনা মচা-মশু ওইহৌরিবা ঐখোয়দা পীবীরল্লিবা মমল য়াল্লবা ৱাখল্লোন অসিগীদমক হরাওজবসু য়ারে। নিঙোল চাক্কৌবা হায়বা ৱাহৈসিতবু নিঙোল ওইবীশিংগী মচিননা হেক পঞ্জবা মীকুপ্তা নিঙোলনা পীশক পীক্লিঙৈ চেন্না-চোংনা শান্নজরকপা মফম লমদমবু নীংশিংলগা কুইনা উনখিদ্রবা মমা-মপা, মবুং-মৌপ্বাশিংবু থম্মোয়দা চেৎনা থমজরিবনি। মমা-মপা, মবুং-মৌপ্বাশিংনসু -নিঙোল চাক্কৌবা- হায়বা ৱাহৈসি হেক তাবা মীৎকুপ্তুদা লাপ্না লৈখ্রবা মচে মচলশিংগীদমক ঐখোয় লৈরিকো। নখোয়বু লাপ্না খনবা লৈতেকো হায়বা অচেৎপা ৱারেপ অমা থম্মোয়নুংদা থমজরিবনি। কয়াদা মমল য়ামখ্রবা খুদোলনো ঙসিগী ঐখোয়না ফংজরিবা নিঙোল চাক্কৌবা হায়বা থৌরমসে। অহাওবা এঙ্খাংগী ৱারী, খুদোলপোৎকী মমলগী ৱাদি অরায়ববু ওইখ্রে। নিঙোলগা পিবাগা অমনা অমগীদমক লেপ্লি হায়বা ৱাখলসিতনা পেঞ্জরে। নিঙোল চাক্কৌবদা নিঙোলসু, পিবাসু পূন্না নোকসিকো। তৌশিন্নবা য়াদে। ●

# স্বিদেনদগী হল্লকপা মাষ্টর এঠলিট মঙা ওক্লুবা - ২

- ইবোতোন চিংথাম -

অসুম্না ঐখোয় ময়াম বস তোংদুনা হাওরা রেলৱে ষ্টেসন তান্না চৎলম্মী। নুমিদাংগী চাক-ঈশিং চানরদুনা ঙাইহাক পোত্থানরম্মী। অদুগা পুং ১২ রোম তাবা মতমদা অজাদ হিন্দ এক্সপ্রেস ত্রেনদা কাখৎলম্মী। ত্রেন মনুংদা উইবোই করিবোই তৌদুনা অহিংদুমা হৌখিবা খঙহৌদে। মথংগী নুমিত্তুমসু ত্রেন মনুংদা অদুম লেনবা তাখি। ফমদুনা নুমিৎ চূপ্না অমা মতম লেনবা অসিসু অৱাবগী মশক্লি। কয়াদা পাক চাওখ্রবা লমনো, লন্বীগী নাক-য়েত্তা লৈহৌরিবদো! পাল্লুবা লৌবুক-লম্ফাং কয়া, য়ূম-কৈ কয়া অদু য়েংনা-য়েংনা চৎপা নত্তনা করিদি তৌরুনি। লোয়ননা মরক-মরক্তা ৱারী-ৱাতাই শানদুনা মতম লেনখি। মথংগী অয়ুক্তদি পুনেদা থুংখি। মফম অদুদদি খরা শারম্মী। ঐখোয় ময়ামদো তোঙান-তোঙানবা হোটেলদা মী কাঙলূপ-কাঙলূপ খায়দোক্লদুনা থুংলম্মী। ঐখোয় নুপা-নুপী পূন্না ১৫০ রোমনি শান্নবা চৎলিবদো। হন্দক শান্নবা চৎলিবসি ৪৪রক শুবা নেসনল এঠলেটিক চেম্পিয়নশিপনি। শান্নফম্না শ্রীশিব ছত্রপতি স্পোর্টস কমপ্লেক্স, বালেৱাদিদনি। ফেব্রুৱারী ১৩দা ঐখোয় ওপনিং দেগী মার্চ পাষ্ট চৎপা য়াওরম্মী। লোয়ননা শান্নবসু অদুম হৌদুনা তাং ১৭ ফাওবা থংননা লৈবা শান্নবুং অনীদা চত্থরম্মী। পূন্না ষ্টেট (য়ুনিয়ন টেরিটরি য়াওনা) ২৮দগী শান্নরোয় লিশীং ৩ হেনবনা চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়াখি। মণিপুরদগী শান্নরোয় ১৫০ রোম চৎখি। মখোয় য়াম্না নীংথিজনা শান্নখি। পূন্না মেদল ১০২ (গোল্ড ৪৫, সিলভর ৩২, ব্রোঞ্জ ২৫০) লৌদুনা মরিশুবা পোজিসন লৌবা ঙমখি। পীক্লবা মণিপুরগুম্বা ষ্টেট অমনা ৪শুবা পোজিসন তাবা হায়বসি অরায়বদি নত্তে। মসি ঐখোয়গী শান্নরোয়শিংগী থৱায় য়াওবা অমদি পর্ফোর্মেন্স ফজবা অদুননি হায়দবা ঙম্লোই। মণিপুরগীদি নুপাদগী নুপীনা মেদল মশীং হেন্না ফংই হায়। তাং ১৫গী ইভনিংদা পুনেদা লৈবা মীতৈ মচাশিংনা ঐখোয়গী শান্নরোয়শিং উনবগী প্রোগ্রাম অমা ঐখোয়গী শান্নফম ষ্টেদিয়ম অদুদা শিল্লম্মী। মখোয়না অচা-অথক অমদি উহৈ-ৱাহৈ কয়াসু পুবিরকখি ঐখোয়গীদমক। মসিনা ঐখোয়গী পূক্লিংদা নুংঙাইবা অমদি চাওথোকচবা পোকখি। লোয়ননা নুংঙাইবা অমদি হরাওবসু ফোঙদোক্লখি। তাং ১৭সি শান্নবগী অরোইবা নুমিৎনি। নুমিৎ অসিদা ঐখোয় মী মরিদি মতম খরা ফংদুনা পুনেগী মফম খরা য়েংলকখি। অদুসু ঐগী পুনেদা লৈবা ইচাশিং অমনা শিল্লকপা প্রোগ্রামনি। ঐখোয়বু মহাক্কী গাড়ীনা পীক-অপ তৌবা লাকখি। ঐখোয়না য়েংলকখিবা মফম খরা পল্লবদা রাজা দিঙ্কর কেলকর ম্যুজিয়ম, ওল্ড রোয়ল পেলেস, এমপ্রেস গার্দেননচিংবনি। অদুগা অয়ূক্কী চাকলেনদি হোটেলদা ওইনা শীল্লম্মী। নুমিদাংৱাইরমদা নুংঙাইরবা ফিল্ম শো অমসু য়েংলম্মী। মদুনসু লোইদ্রি। নুমিদাংগী দিন্নর অদু মহাক্কী লৈফমদা শীল্লম্মী। মদু লোইরগা ঐখোয়গী লৈফম তান্না (চাওরাক্লা কিলোমিটর ২৫ রোমনি হায়) থিনবীরকখি। অসুম্না নুমিৎতুগী প্রোগ্রাম অদু লোইশিনখি।

মথংগী নুমিৎ তাং ১৮ পুনে থাদোক্কদবা নুমিৎনি। মহৈ-মহৈ মপোৎ-মচে য়োমশিন্নরম্মী। অয়ূক্কী চাক-ঈশিং চাবা লোইরগা ঙাইহাক পোত্থানরম্মী। অদুগা নুমিদাংৱাইরমদদি রেলৱে ষ্টেসনলোমদা লাক্লম্মী। টেক্সিদগী হেক কুমথরগা ইনে মাঙ্গোলহোয় অমুক থেংনদুনা মহাক্কী পোৎ মচা অমা অমুক য়ান্দুনা পুবিরে। শান্নবদা থৱায় য়াওজবা অহলনি। তশেংনা শান্নবদদি অহল হায়বা লৈতে, নহা হায়বা লৈতে অদুম পুনবা য়াই। চৎলিবা টিম অদো শান্নবগী লিচিংনা পুন্দুনা চৎলিবনি। অসুম্না লাকপনা ত্রেন ষ্টেসন য়ৌরদুনা ঙাইহাক ফল্লম্মী। (মথং-মথং)

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০১

১) **"অশাংবা ৱারী অসি ১৯৮৯দা ইখিবনি। খোৎনীংবগী মিহুল অমদগী পঙখোৎ খোৎখিবা হায়বদুনি পঙফ ফগদবা মান্দে।"** ৱাহৈ পরেং অসি শক্লাইরবা অইবা অমগী মমিং লৈরবা লাইরিক অমগী ৱাহৌদোক্তা ইবনি। অইবা অসি কনানো? লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

২) **"অতোপ্পা লাষ্ট বস অমা"** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো অমদি অইবগী মমিং হায়য়ু।

৩) **"লান্মী অহুম"** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? ওরিজিনেল রাইটর অমসুং লাইরিক্কী মমিং করিনো?

৪) **"তৎখ্রবা লংলা"** হায়রিবা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো?

৫) **'হেলোয়গী ৱাশক"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবগে? করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫,ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০০গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

***১) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,৪,৫)***

২) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (৪,৫)

৩) মাইবম কাংজাম্বা মৈতৈ, লোইতাং খুনৌ মনীং লৈকায় - (৩)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ১০০গী ৱিন্নর*

***অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায়***

**লিটরেরি ক্যুইজ ১০০গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০০গী পাউখুম

১) **"অশেংবা অওইবা থৌদোক ময়াম অমা অহান অকোন নাইনা লেংশিল্লগা মী অমগী পূন্সি হেক্তা ওইবা য়াদে।"** ৱাহৈ পরেং অসি লাইরিক অমগী অহানবা পন্দুপ্তা য়াওবনি। লাইরিক্কী মমিং অমদি অইবা অসি কনানো? **:- লাইরিক্কী মমিং - মণিপুরীদা পূন্সি ৱারীগী সাহিত্য (ক্রিটিসিজম), অইবা- ডা. থোকচোম ইবোহনবী সিংহ, লাইরিক অসি ইং ২০২১দা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ ফংখি, অহানবা ফোঙবা : ২০১৭**

২) **"থাকল মরোল তরেৎ খল্লবা, ফিজঙ তরেৎ খাজিল্লবা, লারোল তরেৎ খুমজিল্লবা, চফু কংনানগী মনুংদা য়াওবা... অশেংবা মীতৈলোল অমা ওইরকপা ওইসনু।"** ৱাহৈ পরেং মতেক অসি লাইরিক অমগী অইবগী ৱারোলদা ইবনি। অইবা কনাগী করি লাইরিক্তা য়াওবগে? **:- অইবা - বেরিল থাঙ্গ, লাইরিক্কী মমিং- ঐ অমদি অদুঙৈগী ঈথৎ (নোভেল), লাইরিক অসি ইং ২০১৯দা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ ফংখি, অহানবা ফোঙবা : ২০১৫।**

৩) **"ডেথ বেক্তা**
**ঐগী শিবগী ওর্দর থোক্লকই।**
**হৌজিক হৌজিক্তি**
**ইশাদি করিমতা তৌদ্রি।"**

শৈরেং মতেক অসি য়াওরিবা লাইরিক অদুগী মমিং করি কৌবগে? অইবগী মিং হায়য়ু।

**:- লাইরিক্কী মমিং - মৈ মমগেরা বুদ্ধি মমগেরা, শৈরেংগী মমিং - বেক ডেথ, আইবা - আর: কু: ভুবনস্না, লাইরিক অসি ইং ২০০২দা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ ফংখি, অহানবা খূৎনম ফোঙবা : মে, ১৯৯৯।**

৪) **'হন্দক মরকসি ঐবু ইঙাও ঙাওহল্লি শকখঙনদ্রিবী নঙনা। মীকুপ অমা ফাওবা ঐহাকপু লৈতাফম খঙহন্দে।"** ৱাহৈ পরেং অসি ট্রেভেলোগ অমগী অহানবা পন্দুপ্তা য়াওবা ৱাহৈ পরেং অমনি। লাইরিক অসি কনানা ইবগে? অইবগী মিং হায়য়ু। **:- অইবা - শরতচান্দ থিয়াম (ট্রেভেলোগ), লাইরিক অসি ইং ২০০৬তা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ ফংখি, অহানবা খূৎনম : ২০০২**

৫) **"নমিং করি কৌই"**
**"ইন্দ্রানি"**
**"কদায়দৈনো"**
**"লমশাংদগীনি"**

ৱাহং পাউখুম অসি ৱারীমচা অমগী লাইরিক্তা য়াওবনি। ৱারীমচা অমসুং লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে? অইবা অসি কনানো? **:- ৱারীমচাগী মমিং - লৈদু মৈদু, লাইরিক্কী মমিং - খোঙজি মখোল, অইবা - নিংঙোম্থম সুনিতা, লাইরিক অসি ইং ২০০১দা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ ফংখি, অহানবা ফোঙবা : জন্যুৱারী ১২, ১৯৯৭।**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।